# তাইবঙ লোনচৎকী তূংনফম ওইরিবী ইমোইনু ইমাগী মফমদা ঈরাৎ থৌনিজবগী নুমিৎসিদা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*ইমোইনু অহোঙ অচাওবী ঐদি, তরেৎ শেনফুনুংদা লল্লেমনি। লোইমোম ফৌকৈনুংদা ফৌওইবীনি। লেপ্লে ঙারুকোন্দা ঙারৈমনি। লাইজ ঈরেপুঙদা ঈরৈমনি। হুয়েন লানফমদা লাল্লেমনি। নোইনু থুমখোংদা থুম্লেমনি। মশিল শিলশঙদা শিল্লেমনি। হীপোকপী য়াইপোকপী হীলৈমা য়াইলৈমা হীকুবী য়াইকুবী য়াইসনা কৌবী লাইরেম্বী তরেৎসু ঐহাক্নি। ঐদি মোংবা য়ুম্লেন কাজাও য়াবীনি। ফুঙ্গা লাইরু ফম্বীনি। লৈবাক খুঙ্গং থুংনা লৈকায় পানশঙ কোয়না, থাঙঙা য়ুম্বুম চঙ তরেৎ শেঞ্জাও পায়বা তরেৎ শেঞ্জা ললয়েল্লিবীনি। নমু তাইবঙ মীওইবগী য়াইফ নুংঙাই নোংদল্লিবীনি। (ইমোইনু অহোঙবীগী তুঙনফম)*

মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা মরু ওইবা পোৎলমশিং অমদি থবক থৌরম পূন্নমক্কী তুংনফমনি হায়না উৎলিবা শৈথারোল অসিনা তাক্লি মদুদি ইমা ইমোইনু অহোঙবীদি মীহৌরোন্দগী লৈরক্লবা লাইরেম্বীনি। তাইবঙ মীওইববু নাউয়োকপীরিবী মহাকপু মৈতৈ য়ূমথোঙ খুদিংদা লাত্তুনা লাক্লি। মৈতৈগী য়ূম খুদিংমক্তা লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা লৈমরেন শিদবীগী খুভম থম্বগুম ফুঙ্গা লাইরুদা ইমাগী খুভম য়াদুনা লাৎচরিবনি। মরমসু চায়, ফুঙ্গাদি য়ূম অমগী য়াম্না মরু ওইবা মফমনি। মুৎহৈদ্রবা মৈফম লৈরিবা মফমসিদা নুংতি নুমিৎ খুদিংদা য়ূমগী য়ুম্বুরেন অমদি য়ুম্বুরেম্বীনা ৱাখল লৌশিং হেনগৎহনবা পাউতাক পাউরৌ কয়ানি পীবিবা। মমল য়াম্লবা ৱারী কয়াসু লীবীবনি। শিনফম কয়াগী মরমদা শিল্লম শিন্তাকপীবগা লোয়ননা য়ুম্বাল্লোন, থকসি-খাসি, তৌহৈবা-তৌহৈদবা, লোনচৎ-শাজৎ কয়াসু খঙহনফম্নি। অসুম্না মতিক ময়াই চেল্লবা ফুঙ্গা লাইরুনি, ইমাগী মতিক মঙান শাফোঙফম্নি। হৌজিক মতমদা ফুঙ্গা নাইদবা য়ূম ময়াম অমা লৈরবসু ইমাগী থৌজাল অমদি মতিক মঙান্দি ঐখোয়গী য়ুম খুদিংমক্তা লৈরি হায়বগী থাজবী অসি লেঙদনা লৈরি হায়বা য়াই। খুদম হায়ববু ইমাবু লাৎপগী থৌরম পাঙথোক্লরিবসিনি। ইমানা ঐখোয়বু করি ওইহন্নীংলিবগে, ঐখোয়না করি লোনচৎ-শাজৎ চৎহন্নীংবা, করম্বা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, ৱাখল মীৎয়েং ঐখোয়দগী পাল্লিবগে হায়বদুমদি থৌওইনা খঞ্জিল্লুদ্রগসু ইনাক খুনবা, শেল পায়বা ওইহনবীয়ু হায়না খুরুম্নরিবনি।

ঙসি ৱাকচীংগী তরানিথোইনি পানবনি। পল্লুদ্রগসু মণিপুরী খুন্নাইগী মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবনি। মৈতৈগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা য়াচঙলকপা মতমদা য়ুম-ইশ্বোল অকোয়বদা মৈরা থান্দুনা ইমোইনু ইমাবু ঈরাৎ থৌনিজবগী থৌরম পাঙথোক্লগদৌরিবনি। ইচম চম্বা থৌরমনি হায়বা য়ারোই। এঞ্জাং-নাপি অতেক অনৌ, হৈরাং-লৈরাংনচিংবা অথেনপোৎ শেল্লগা লাইনিংথৌ অমদি ইমাগী মফম ওইরিবা ফুঙ্গা লাইরুদা কৎচরগা মথেন লুক্কোয় শেমদুনা চাগদবনি হায়বা অখঙ অহৈশিংনা থম্বীবা ৱাফম থেংনৈ। ঐখোয়গীসিদদি ঙা অঙৌবসু য়াওদবা য়াদবা পোৎলম অমনি হায়না থাজনবা মরম্না কৈথেলসে ঙা অঙৌবনা পুমতাউ তাউই। লৈবা লাকপা মীসু ওখাক য়াম্মী, লেং থৈনফমকা লৈবজাৎ নত্তে। হৌজিক্কান্দি লৈরক খুল্লক্তসু অয়ূক্তগী ইমোইনুগী ঙা অঙৌবা লৈররো হায়বসিনা পুমনিন নিল্লি। মফম খরদদি শরেংনা মপূং ওইনা কৎনবা মাল্লি। কৎপগী মওং মতৌসিমদি মানা মানা পাম্বা মওংদা চথুনবগুম তৌই। কনাগুম্বা খরনা থোং-থাকপা লোইরগা কৎপসু য়াওই। অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্বা ৱাফম মতুংইন্নদি থোং-থাকপা তৌদ্রিঙৈদা কৎকদবনি হায়। কৎনীংবা মওংদা কৎলবসু হায়রিবশিংসে থম্মোয়বু শেংলবদি ইমানা শুংশোয় শোয়দনা লৌশিনবীদুনা থৌজাল লনকুবীগদরা হায়না খল্লি। ইমা ইমোইনুবু লাৎনবগী পান্দমদি অয়াম্বনা ইমান মান্নরমগদরা থাজৈ। লন-থুম পীবিনবা, ইনাক খুলহনবীনবা, শেল জোম জোম পায়হনবীনবনি। মসি হায়নীংই হায়দুনা হেক্তমক হায়জিনবৈ ৱা নত্তে। ইমোইনু ইমাদি লনগী লাইরেম্বীনি হায়না ঐখোয় অয়াম্বনা থাজ নৈ। ঐখোয় ইনাক খুন্দবা য়াদে হায়বা পান্দম অসিদনি ঙসি ইমাবু লাৎপগী থৌরম অসি জর জর শন্দোরক্লিবসি। অমরোমদা মসিনসু ঐখোয়গী মরু ওইরবা য়েলহৌ লাইনীং মফম পাকথোক চাউথোকহনবদা অদুক্কী মতিক কান্নহল্লিবনি।



ঐখোয়গী লাইনিং লাইচৎলোন্দা ইমোইনু লাইরেম্বীগী মফম অমা চাওনা কন্দুনা লৈরিবসি ইরায় লায়না খন্দোকপা চুম্লোই। য়াম্না কুপথনা মনুং হঞ্জিন্না নৈনবা মথৌ তারকই। লল্লেমনি লনগী লাইরেম্বীনি, মাবু নীংজরগা মফমদা অথেনপোৎ কৎচরগা থৌজান লনকুবীগনি হায়বা ৱাখল্লোন অদুখক নত্তে হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমিন্নবা মথৌ তাবরা হায়না খঞ্জে। অদুবু ইপুশিংনা থম্বীরম্বা ইমোইনু লাইরেম্বী লাইচৎলোন্দা য়াওরিবা নুংলোন অমদি ফিদমগী মশক ওইরবা ৱাংউলোন অদু খঙবা মীগী মশীং কয়া য়াল্লিবগে হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি। *(ইমোইনু লাইচৎলোনগা মীওইবগী লোনচৎ শাজৎ অমদি পুন্সিরোলগা শাগোন্নদুনা লৈ হায়বগী মতাংদা ৱারোল খরা চহী অনীগী মমাঙদা হাপচখিবা ৱারেংদা থমজখ্রে)।* ঙসি ৱাকচীংগী তরানিথোইনি পানবা ইমোইনু অহোংবীগী লাকয়েন ঙমদাই নুমিৎসিদা ইমাগী মফমদা ঈরাৎ থৌনিজদবা মৈতৈ য়ুমথোঙ লৈরম্লরোই হায়বা য়ারে। তৌবতবু ইমানা য়ানীংলোইদবা মচৎ কয়াদি ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলক্লি। চাকচা য়াহিপ মওং মরীল নাইদবা মওংনা পীক থল্লে। ঈশৌনা শৌ শৌ লাউদবা ঈং-তপ্পা ইমুং খূৎ থেক্তুনা পাবা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরক্লি। কল্লক য়েংথীনবা নুংশিনদবা কল্লক মিহৌ ৱাখলনা লাঙ্গোই চল্লবা মীগী মশীং চাং ৱাংলক্লি। ইশম শম্না অচুম্বা অশেংবা হায়বদুগী মফম ফংলরোইদরা মিপাইরক্লে। লৌ য়ূম্ফম ইশ্বোল মচেৎ অমগীদমক মপা মচা মখুরা মতোন মচিন মনাও ইমু নাইমু তানরে। মমা মপাগা মচাশিংগী মরক্তা শকউদবা পল অমা খাবগুম তৌরকই। মচিল মনাওগী মরী অসুম অসুম লাপথোক্লরক্লি। মসি তাইবঙ শেবাৎনবা হায়দুরা? ইমাবু লাৎচবগী নুংলোনবু মনুং থীৎনা খঙবশিংনদি শোয়দনা ৱারৌফম থোকই। ৱারৌবখক্তমক নত্তে নীংবসু কায়গনি। ইমোইনু ইমানসু কৈদৌনুংদা থৌজাল লনকুবীরোই। মসিমক্তি ঐখোয় ইশাগী শীংজংনা ইশাগী খোঙদা য়ানশিঞ্জবগা পাংখক্লি। লাইচৎলোন অসিগী নুংলোন অমদি ৱাংউলোন অসিবু মীপূম তিংনা খঙমিন্নরবদি নুপী নাইদে নুপা নাইদে, কনাসু য়ূম কায়হনবা য়াবা থৌওং থৌচত্তা মায় ওনশিল্লুনি হায়বা থাজ দে। ইরম-নালা, পাৎ-তুরেল, লম্বী লমজাও, য়েন্নখা-লুখানচিংবা মোৎশিনহনবগী লাউন-খোংনরিবশিংসে লৈরমদবসু য়াই। অঙাং পিশক্তগী হৌরগা নুপী ওইবী কয়াবু নমজা নমথেকপীবগী ৱাথোকসু লৈরোই। অফববু য়োকপীবা ফত্তববু মাঙহনবা, ৱাৎসু ৱাত্তবা, পাসু পাথোক্তবা মান্নবা খুন্নাই অমগী ৱাখল্লোনগা শাগোন্নদুনা লাক্লিবা ইমোইনু ঈরাৎলোন্নি। ঐখোয়গী ওইবা তোপ তোপ্পা লাইথৌ তীনথৌগী মশকসু উৎলিবনি। অচুম্বা পরম পথাপ খঙনা লাৎচরবদি পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## ৱাকচীংগী ১২নি পানবা : ঈমোইনু ঈরাৎ থৌরম...

*লামায় ১গী মখা...* লাইকি মিংকৌরোন্নচিংবা লাইরিকশিংদা লাইগী হৌরকলোননচিংবা কয়া তাকপীরম্বদা য়াওরি। অহানবা লাইশিংগী হৌরক ৱারী অসিদি করিমত্তা লৈত্রিঙৈ, তেংবানবা (তেংনা লেম্না পানবা মপান নাইদবা অদুনি - য়ুনিভর্স/সংসার) তাইবঙপানবা (উ-ৱা, থৱায় পানবা হিংবা ঙম্বা-ৱর্ল্ড ওফ বিয়িংস) লৈত্রিঙৈ মথন্তা তরং মালং ওইনা লৈরম্বা 'অতিংকোক মরূ শিদবা' মেটাফিজিকেল টর্মদা 'এবজোলুট নাওউৎ' হায়না চীংঙুরোই (ফিলোসোফরশিং) না হায়রিবনি। মঙোন্দগী লোইনা থোরকখিবনি হায়রি।

অতিংকোক মরূ শিদবদগী সলাইলেন শিদবা অমসুং লৈমরেল শিদবী থোরকই অদুগা লৈমরেল শিদবীদগীনা কোইনা য়েংনা চৎলগা পান্থোইবী, য়ুম্বু খোল্লগা য়ূমজাও লৈমা, থক্তা য়েংলগা/কারগা নোংথাং লৈমা শমথরকপগা লোয়ননা য়ূম্বানলোন লৈমগী ওইনা ঈমোইনুবুনা য়ূমজাও লৈমদগী থোরকই।

হায়রিবশিং অসি ঈমোইনু ইমাগী হৌরক ৱারীনি হায়রদুনা প্রোফেসর কাংজিয়ানা মখা তানা হায়, তাইবঙ শেম্লক ৱারীদগী লৈরক্লবা ইমা ওইবনা লাইগীসু 'লমলাই খুন্দা অহানবা' তাইবঙ মীগীসু 'ঈয়েন খুন্দা অহৌবা' ওইনা পুয়াশিংদা শীংথারল্লিবা অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা নুংশিৎলম ঙাকপা লাইগী খুভম কৌব্রু চীংদসু 'ঈমোইনুথেল' হায়দুনা লনগী লাইরেম্বীবু ঙসি ফাওবা মী লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইদুনা খুরুম্ন রি। কৌব্রু ঈমোইনুথেল অসিনা খ্বাইদগী লীরবা মীহৌরোলনা লাম্বা ফংদ্রবা (প্রি হিষ্টোরিকেল টাইপ) দগী হেন্না লীরবা খুভমনি। নোংমাইজিং চীংগী নোংপোক লমদগী কারগা লৈবা নোংমাই ঈমোইনুথেল, থাংচীং খুভম, চেনগৈচীং ঈমোইনু খুভম, লাংকোল নাপচিক ঈমোইনু অমসুং পুনম চীং ঈমোইনু খুভমনচিংবা অসিনা ৱারী অমমমগা লোয়ননা মথং মথং লাকখিবনি। নেপালি আর্মি ওফিসর অমগী চাওরবা শেনফম বোরাদা হাল্লগা পুরকপদা দিপার্টমেন্টকী মাঙবা য়াদবা শেলশিং অদু মফম খঙহৌদনা জিপকী মনীংগী থোঙ য়াদবদগী তাহৌবা থৌদোক অমদা ওফিসর অদুনা অহিংদা কপ্তুনা লৈবদগী ঈমোইনু নমানি ঐদি, ঐনা উশা-ৱাশানা কুপশিন্দুনা থম্বীরি, নোংঙাল্লবদি মীনা খুনখ্রগনি হায়বা ৱাফমশিং হায়রবগা লোয়ননা ওফিসর অদুনা লাক্কদবা লম্বী অদু মঙোন্দা অমসুং মহাক্কী নুপীগদা তাকপীরম্লগা মাঙখিবগী ৱারী ফাওবা লৈরি। অদুগা কুপশিন্দুনা থম্বীরম্বা শেল অদু ফংবদগী অৱাবা কোকখিবগী ৱারীসু লৈরি হায়রি।

অৱাবা কোক্লবা আর্মি ওফিসর নেপালি অদুনা খুলদা লাক্লগা ঈমোইনু ইমাগী লাইশঙ অহনবা অমা শাজগে হায়রবদগী খুঞ্জাশিংনা য়াবীদুনা অমসুং মতেং পাংদুনা শাখিবা লাইশঙ হৌজিক ফাওবা খোঙহাম্পাৎকী চীংগোলদা লৈরিবনি হায়রি।

ঈমোইনু ইমানা কল্লিবা মফমশিং য়াম্না য়াম্মী অদুবু খরখক পল্লবদা ঙসিগী খুন্নাইসিদা কল্লিবা মফম অসিসু মথ্বায় পানবা হকখ্রবা ঙাক্তনি। মীওইবা খুন্নাই (সোসাইটি) হায়বা অমা শাগৎপা ঙমখিবা অসি ইমুং (ফেমিলি) অমা নাইরকপা, য়ূম শাদুনা, শঙ্গোয় শাদুনা পাল্লকপা ইমুং কয়ানা লৈকায় (লৈখায়) অমা শারকপা, লৈকায় কয়ানা খুল অমা, খুল কয়ানা পানা কয়া, পানা কয়ানা লুচিংবা ৱায়েনবা খন্দুনা লৈপাক (ষ্টেট অমা), লৈপাক কয়ানা মালেম পূন্নমক্কী তোঙান তোঙানবা চৎন-কাঙলোন কয়াগা লোয়ননা লৈপাক কয়াগী অপূনবা য়ু এন ওনচিংবা লাক্লিবনি হায়রি।

অসিগুম্বা য়ূম্বাল অমগী য়ূম্বানলোন্দগী চাওখ্রবা মালেম অসিগী থাকশিং অসি ওইরক্লিবনি। খুন্নাই অমগী থৱায় মিরেল ওইরিবা য়ূম্বানলোন অসিগী লাইরেম্বীনি-ইমা ঈমোইনুনি। মীতৈগী য়ূম অমা শারগা ঈমোইনু ইমানা ফুঙ্গা লাইরুদা লেঙশিল্লগা শঙ কাগদৌরিবনি। ঈমোইনুনা মঙাং, লুৱাং, খুমন মতম অহুম পুরিবা ইয়ু অহুম অসিনা শঙ্গাদুনা 'ময়ূম ফুঙ্গা মৈ লিংবা' হায়বা ৱাই-উচান মৈরানা মৈ হৌদুনা ফুঙ্গা লিংলগা য়ূম শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোক্লিবনি। ঈমোইনু ইমা লেঙশিল্লবা মতুংদা য়ূম অদুদা নুমিৎ অদুদগী য়ুম্বুরেম্বা-য়ুম্বীরেম্বী, মচা-মশু অমসুং মমৌনচিংবা ময়াম্না য়ূম অদুদা চঙবা লৈবা হৌনরক্লিবনি। য়ূমলাইশিংগী থৌগলগীদমক য়ূম লিংবনি। মসিদগী য়ূম্বানলোনগী লাইরেম্বী ঈমোইনুগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী হৌরে হায়রি।

য়ূম মনুংদা ঈমোইনুগী মফম য়াদুনা থমগনি। ফুঙ্গা লাইরুদা লৈরগা ইমাগী মমিং 'অরৈনু লৈমা' কৌই। ইমানা লৈরিবা ফুঙ্গা লাইরুগী ফুঙ্গা থৌগল হায়দুনা লৈবগী মনুংদা শুমসিৎ হাইশিৎ, ললখোঙ হাইশিৎ, ললশিৎ হাইশিৎ হায়দুনা ৱাই শিৎপগী য়ূম্বানলোন অহুম লৈরি। অরাপ্পদগী লন খোমজিনবা, খোমজিল্লকপা লনশিং অদু চেকশিন্না চনীং খাক্লা থম্নবা কাঙলোন, শুমশিৎনা ইহান হানবা শিৎপা হৌগদবা মায়কৈ অসি ওইরোইমদগী য়েৎলোমদা হাইরগা শিৎপা, লোইশিন্দুনা ফুঙ্গা লাইরুদা শুমশিৎনা য়েৎলোমদগী হৌরগা ওইরোমদা খোমজিল্লগা তেশিনবা শুমশিৎ হাইশিৎ কৌবা য়ূম্বানলোন্নচিংবা য়াম্না হক্লা লৈরি। অরৈনু লৈমনা ওনবা মায়ওনদি নোংচুপ ওল্লি হায়রি।

ঈমোইনু ইমানা চেঙফুদা লৈরগা অহোমনু লৈমা হায়না কৌই। মমায় অৱাং ওল্লগা লৈ, মৈরা মনম অথেনপোৎ কৎপদা অৱাংলোমদা কৎকনি। চেঙফু কাঙলোন কয়াগী মনুংদা চাক থোংনবা চেঙ ওনবা লোইরগা অহোমনু ইমানা খুমজিনবীরকউ হায়না চেঙ খুলাক অহুম (খুলাক হায়বদি খুবী য়াওহন্দনা খূৎশা মরি খক্তনা চেঙ পায়রগা খুবীগী মফমনা চনিং থল্লম্বা ওইদুনা পায়বা চেঙ) চেঙফুং মনুংদা হঞ্জিল্লমগনি। মসিবু চনীং হঞ্জিনবা কৌই। পুন্সিদা চাবা থকপা ৱাৎপা হৌনদে, চেঙফু হাঙবা লৈরোই অমসুং চরা হেনবা হায়বদুগা কায়নগনি হায়রিবনি।

ঈমোইনু ইমানা চাকখুমদা লৈরগা অখোমনু লৈশা হায়না কৌই। অখোমনু লৈশাদি মমায় মখা ওল্লগা লৈ। হৈ-থা, পোৎ-থা, মৈরা-মেক্রুক কৎপদা শীং য়াংফমদগী খজিক নোংপোক্তা চৎথোক্লগা মফম শেমগনি। মায় অৱাং ওল্লগা য়ুম্বুরেম্বী নৎত্রগা মৌ, মচানুপী নৎত্রবসু নুপানা থোংলবসু চেঙ খজিক্তং পায়রগা অহুল্লক মৈ হৌরকপদা কৎলিবা অসিনা চিঞ্জাক্তা য়েমৌনবা (ফুদ পোইজনিং) থোক্তুনা শিবা নাবা য়াওদনবা, চাক শোয়দনবা, এঞ্জাং মথেল অমত্তা শোয়দনবা, পুন্সি নুংশাংনবা চাকখুম হৌবগী থৌগলনি হায়রি।

প্রোফেসর কাংজিয়ানা মখা তানা হায়, য়ূম্বানলোদি তুরেল লৈঙোই চোয়্রোবীদগী হেন্না কুপ্পী হায়বসিমক ঙসিগী খুন্নাইদা তরং তরং মথ্বায় পান্দুনা লৈরিবনি। 'ঐগুম্বনা পোকপা ইচাবু শোয়বা হৌনব্রা' হায়বসি য়ূম্বানলোননি। শান্ন-খোৎনবদা ওলিম্পিয়ন ওইগে, মালেমগী থাক্তা সনাগী তকমান লৌগে, লৈবাক্কী থাক্তা, স্কুল/কোলেজ/য়ুনিভর্সিটিগী শান্নপুঙ কয়াদা মীথোই মীহেনগে হায়রবদি য়ূম্বানলোন কাঙলোন খঙনা-উনা চৎপা তঙাইফদে। পূন্নমক অসি ঈমোইনু ইমাগী হকখ্রবা য়ূম্বানলোন-কাঙলোন ঙাক্তনি। মশক থোক্লবা মনা অচৌবা কয়ানা লৈতেংখ্রবা পাখঙ-লৈশাবী অমত্তসু থবক ফংদবা লৈতে। লায়রবগী অশেংবা মরুপতি হৌজিক্তি শান্ন-খোৎনবনা ওইরবনি। মরম অসিনা ঈমোইনু ইমাগী থৌনিরোলদা 'ইচি তৎতবী ইরাই কংদবী' হায়দুনা শীংথারিবা অসিনি। ঈমোইনু ইমানা তাইবঙদগী হকচাং কয়াৎনুংদা থৱায় মিরেল মক্তা তোংদুনা পাঙ্গল ওইজরিবা ঈরিক ফম্বী মানা কংলগা হকচাং শোল্লিবা, মানা ময়েং তাদ্রগা ঈগী মচি ওইদুনা ইচি তৎতনা লৈরগা লম্বা তৌবা ৱারগদবা শিন্থা তৌবা ঙমহল্লিবা কয়া অসি তাঙখ্রবা মমল য়ামখ্রবা ঈমোইনু ইমাগী পুন্সিরোল কাঙলোননা, য়ূম্বানলোন কাঙলোননো হায়বসি শন্দোক্লা ৱারী শানজবা মতম ফংদবতনি হায়রি।

শিন্তাকপা-শিন্তাকপী কয়ানা পাখঙ ফাল, লৈশা ফাল হায়দুনা ইন্সটিট্যুট অনী লৈরক্লিবা অসি ইমা ঈমোইনুবু খুরুমজরগা তম্বীবা হৌরম্বা ঙাক্তনি। ঈমোইনু ইমাদি নোংম নোংমগী মমল য়াম্বা অসুম অসুম হেনগৎলক্লগনি। পাখঙ ফাল-লৈশা ফাল হায়রিবা ইন্সটিট্যুট অনী অসি ইন্টরনেসনল সলাই পুন্সিফমগী অচৌবা ওদিটোরিয়ম অমা শাবা হেক লোইবগা লিংখৎতুনা লৈরবা অসি থবক্তা ওন্থোক্লগনি। মীয়াম্না মতম ঙাইবীয়ু হায়রি।

ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা মীতৈ নহারোল লিশীং লিশীং মাঙলক্লে। মী হাৎলে, নোংমৈনা নুপী ফাওবা হাৎলে, ইমুং কয়া কায়নরে, কাং খোং চাইরবা ইমুং কয়া লৈরে। মমা মপা অহল ওইরক্লবা, পাঙ্গল শোল্লবা কয়া মচা মমৌ লৈনা লৈনা চরা হেল্লে। চাদবগা থক্তবগনা ৱাখল পীকশিল্লকপনা ঙন্না ঙন্না পুন্সি য়াহিপমিন্নরে। মতম অসিমক্তদা কুৎকুপ অসিমক্তদগী ঈমোইনু ইমাগী য়ূম্বানলোন, পুন্সিরোল অমুক হন্না হিঙ্গৎহনবা নত্তনা থবক ওইনা মায় পাক্লবা লম্বী মাঙশিল্লক্লবা খুন্নাই অসি কলহৌনবা পুথোকপা ৱাগনি। নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী ৱারী নোংমা কাংদনা মীয়াম্না খঙলবনি। তিন্নবা লৈকায় পূম্বা নুপানা মমান্নবী অমা ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লগা মশক খঙবনিনা চৈরাক ফংগনি। অদুবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরবা মতুংদা থাদোকখিবা অমসুং মপানা মচানুপীবু ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লি হায়বনচিংবগী তাবা য়াদ্রবা তীল-কাং অমসুং শা-ঙাগী ৱারী কয়াসু তাররেক্ল হায়রি।

অরোইবদা প্রোফেসর কাংজিয়া মঙাংনা হায়, লমচৎ শাজৎ (ইথিক্স), থকসি (ইথক থোংবদা চৎগদবা থৌগল্লোন), খাসি (ইখা থাবদা অঙাং নুপীদা থমগদবা, ঙাক্কদবা ৱাহৈ ৱাতা, লমচৎ শাজৎ) ঈমোইনু ইমাগী য়ূম্বানলোনদা ১০০দা ৭০দি য়াওরি। পুন্সিরোলগীনা ১০০দা ২০গী চাংদা য়াওরি। তারিবা তু চুংলবা ৱা পূন্নমক অসি থকসি-খাসি, থৌগল্লোন, লিচৎ শাজৎ অসিনা মাঙহল্লক্লিবশিং কলহৌদ্রবদি শা-ষণগী, হুই-হৌদোংগী লৈবাক মানশিল্লক্লবা খুন্নাই অসিগী তুংগী লম্বী পুম্মম মমশিল্লক্লগনি। য়ূম লৈনা লৈনা অহলশিংগী তাংজফম ওল্ড এজ হোম মশীং নাইদনা লৈরক্লি। মমা মপা ওইবশিং দ্রগনা অমসুং শারমচৎকী লমচৎনা ঙন্না ঙন্না লাইরৈবাক্তা হৌন হৌনদুনা কাখ্রবগী মতুংদা ওর্ফানেজ হোম মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মরম অসিনা পাখঙ ফাল-লৈশা ফাল লিংলসি, ঈমোইনু ইমাগী য়ূম্বানলোন, পুন্সিরোল চৎলসি, ময়াম পূন্নমক হৌগৎপীরো হায়নসু পাউজেল্লক্লি।

## পোজিটিভ কেস ১...

*লামায় ১গী মখা...* মনুংদগী দিষ্ট্রিক্ট ৩গী সেম্পল ২৮ টেষ্ট তৌবদা কোভিদ পোজিটিভ কেস অমা থেংনরে হায়রি।

কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস অমা খক্তমক থেংনরবসু পোজিটিভিটিগী চাং চাদা ৩.৬ ওইখি হায়রি। অদুম ওইনমক ঙসিগী ওইবা রিপোর্টতদি দিষ্ট্রিক্ট ৬কী সেম্পল ১৪ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা অনৌবা এক্টিভ কেস অমত্তা থেংখিদে। অদুম ওইনমক ঙরাং থেংনখিবা এক্টিভ কেস অদুদি অদুমক লৈরি হায়রি।

## কবুই য়ুনিয়ন ১সুং লূপ...

*লামায় ১গী মখা...* পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা), ইনাৎ য়োকখৎ লূপ, মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি, অমাই পিবা অপূন-লূপ কংলৈপাক অমসুং মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্টগী মায়কৈদগীসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমরোমদা, ঙরাং উত্রা শঙলেন সনা কোনুং অমদি উকল অনীগী কৌব্রুদা ঈমোইনু খুরুম্বা খোঙচৎতা শরুক য়াগদবশিং মৈতৈ লৈমা-লৈমরেম্বী অনামিকানা লমথাখ্রে হায়রি।

লোয়ননা ঙসিনা সনা কোনুং থাঙ তা লোয়শঙগী কাঙবুসু সনা কোনুংদগী ইবুধৌ অমদি ইনিংথৌবু পুনেমজদুনা কৌব্রু মায়কৈ পাংদুনা ঈমোইনু খুরুমজনবগীদমক খোঙশানখ্রে হায়রি।

লোয়ননা থৌরম অসি সনা কোনুংদা ঈমোইনু থৌনিজনবা উত্রা শঙলেন, কংলৈ ইনাৎ শিন্থা অপূনবা লূপ অমসুং পাচা লোয়শঙ সনা কোনুংনসু পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

## রামকৃষ্ণ মিসননা...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা খুঞ্জাশিংনা রামকৃষ্ণ মিসনগী মীওইশিংবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা থা অসিগী ৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা গান ঙাইগী থৌরমদসু শরুক য়াবীনবা ফোঙদোরকখি হায়রি।

HL-B/7956/21/12-22/01

## মফম খঙদ্রিবা মহৈরোয় নুপীমচা...

*লামায় ১গী মখা...* নৎত্রগা পুলিসকী মায়কৈদগী পোজিটিভ ওইবা থবক অমত্তা পাঙথোরক্ত্রে। থৌওং অসিদা নুপীমচা অসিগী ইমুং মনুং অমসুং মীয়ামদা চমম্নবা পোকহনবগী মথক্তা পুলিস অমদি লৈঙাক্লা তূমিন্না লৈশিনবা হায়বসি লোয়শঙ অসি থবক তৌদবগা চপ মান্নরে। মহৈরোয় খুন্নাইবু শান্নপোৎকুম্না খনবা, ওজাগী শিনফমদা অমুবা তৈশিনবা থোকচোম কেনেদি অথুবা মতমদা বুক তৌদুনা চৈরাক পীগদবনি। করিগুম্বা তূমিন্না লৈশিল্লবদি মণিপুরগী মীয়াম, মহৈরোয়শিংগী লূপ অমসুং সী এস ওশিংগা খূৎশম্নরগা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়রি।

লোয়ননা তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংবু শেম্বী শাবিরিবা ওজানা চখুরক্লিবা অসিগুম্বা থৌওং অসিগী মায়োক্তা শারমচৎ চৎপা ওজাগী শক্লোন লৌবা ওজা অসিবুসু পাড়া তম্বীনবগীদমক অম্মোকোকনা চঙশিল্লকপদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

## পার্লিয়ামেন্টকী বডজেট সেসন...

*লামায় ১গী মখা...* প্রসিদেন্টনা পীখিবা এদ্রেসকী মোসন ওফ থেঙ্কসকী দিস্কসন পাঙথোক্কনি। মসিগী মতুংদা য়ুনিয়ন বডজেটকী দিস্কসন চথুগনি হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টকী বিজিনেসশিংগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা প্রসিদেন্টগী এদ্রেসকী মোসন ওফ থেঙ্কসকী দিবেটকা মরী লৈনবশিংগী পাউখুম পীগনি। অদুগা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন বডজেটকী দিবেটকী মতাংদা পাউখুম পীগনি হায়রি।

লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা বডজেট সেসন অসিগী অনীশুবা শরুক্তা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পুথোরকপা এজেন্দাশিং খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রিশিংগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টসকী মতাংদসু মরু ওইনা খন্নগনি অদুগা সেসন অসিগী মনুংদা শেল থুমগা মরী লৈনবা বিল অমা ওইগদৌরিবা য়ুনিয়ন বডজেটসু পাস তৌগনি হায়রি।

ꯅꯣꯇꯤꯁ ꯏꯅꯚꯥꯏꯇꯤꯡ ꯇꯦꯟꯗꯔ

**NOTICE INVITING TENDER**

**Dated, Imphal the 30th December, 2022.**

The Executive Engineer, Engg. Cell (Hill-II), H&FW Dept. on behalf of Governor of Manipur invites item Rate bids through e-Tender from eligible enlisted contractors of Engg. Cell, Health & Family Welfare for 2 works of " (i) Construction of Shelter & Livelihood centre for Widow at Imphal east and (ii) Construction of Shelter & Livelihood centre for Widow at Chandel District, Manipur."

The procurement officer is Executive Engineer, Engg. Cell (Hill-II), H&FW Dept., Imphal; the tender details and documents shall be available online (www.manipurstenders.gov.in) from 30/12/2022 to 13/01/2023

Bids submission start date : 30/12/2022.
Bids submission end date : 13/01 /2023.
Date of opening of Bids : 16/01/2023. (Time: 11:00 A.M. onwards)

Sd/- **Executive Engineer**
Engg. Cell (Hill Division-2),
Health & Family Welfare Department.
Govt. of Manipur.

HL-P/5547/3

